# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হৌখিবা নুমিৎ ৮ নি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী পুন্না নোংমৈ ৭৩৮ খুৎশিন্নরকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ লিশিং ৪ হেন্না লৌখৎপা ঙমলে হায়রি।

২) লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লিবা লমতা থাংজগী থৌরম ঙসি তম্পাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকরি।

অমসুং

৩) আইন কায়না মীতোপশিং চংলকপা হায়বসি নেসনেল সেক্যুরিতিগা মরী লৈনৈ, মসি অচেৎপা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা থেংনবা তঙাইফদে হায়না গৃহ মন্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

-----

পুলিস (এল)ঃ হৌখিবা নুমিৎ ৮ নি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী পুন্না নোংমৈ ৭৩৮ খুৎশিন্নরকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ লিশিং ৪ হেন্না লৌখৎপা ঙমলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- তেংনৌপল, ইম্ফাল ইষ্ট, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাদা ঙরাং তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় ৩৩ খুৎশিন্নরকখি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা খুৎশু খুৎলায় পুন্না ১৭

খুৎশিন্নরকখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা ঙরাং খুৎলায় য়াওনা অতৈ পোৎলম ১৬, পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎলায় অনি, সি.দি.ও ইম্ফাল ইষ্টতা খুৎলায় অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা পোৎলম ৭, কাংপোকপী জিলাগী ৱাকান খুলগী কুকি ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারশিংনা ২৮ শুবা অমসুং ১৬ শুবা এ.আরগী খুখাংদা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎলায় য়াওনা অতৈ পোৎলম ১৪ শিন্নরকখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা নোংমৈ অমদি অতৈ পোৎলম ১০, লমফেল পুলিস ষ্টেসনদা পুন্না পোৎলম ১৩ অমদি থৌবাল পুলিস এস.পি. ওফিসতা খুৎলায় মরি খুৎশিন্নরকখি।

নিংশিংবা য়াই, মণিপুরগী রাজ্যপালনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২০ দগী হৌনা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা খঙহনবগা লোয়নন্না মাইকৈ কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া পীখৎনরকখিবনি। মখা তানা খুৎলায় পীখৎপগী মতম নুমিৎ ৭ নি অমগা শাংদোক্কুনা লৈহৌরিবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা ঙরাং আপীল তৌখিবনি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে ৩১ দা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা আপীল তৌরবা মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মতেংগা লোয়নন্না রাষ্ট্রপতি সাসন লাক্ত্রিঙৈ মমাং ফাওবদা খুৎশু খুৎলায় লিশিং ৩ হেন্না লৌখৎপা ঙমখিবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং নেসনেল হাইৱে-টুগী লম্বী পরিংদা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি ফারে। কাংপোকপী জিলাগী বিমপারাওদগীনি হায়বা মীওই মরি অসি কে.এন.এফ (পি)গী মীওই অমগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অনি অমদি অতৈ পোৎলম খরা ফংলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কামজোং জিলাগী চসাদ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ১১৪ অমসুং ১১৫ গী মনাক্তা লৈবা কুলথু খুলদগী পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে হায়রি। মঙোনদগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেন অমা ফংলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মচি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শমুকোমদা থি হুম্বগী থবক চথ্বদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মজল লোদেদ রাইফল অমা, আই.ই.দি কিলোগ্রাম ৩৭, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং পুলৈজাং খুলদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্নুৎখ্রে। পোপী পান্বীশিং অদু লম একর ৩০ রোমদা থারম্বনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা মরু লাইশঙদা লাই খুরুম্লিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা থি হুম্গী থবক চথখ্রে। ব্রাকান চীংশাং অমসুং মার্ক হিলস চীংশাং পরিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বগা লোয়ননা কুকি ইনপি সাইকুল অমদি ব্রাকানগী মফমশিংদা লৈরিবা কুকি খুলগী খুল্লাকপশিং কৌদুনা অসিগুম্বা থবক মখা তানা তৌহন্দনবা খঙহনখি হায়রি।

লোকেশ্বর (এল)ঃ    হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কোংবা মরু লাইফমলেনদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী থৌওংবু খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থোকচোম লোকেশ্বরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। খুল ঙাকপা খুঞ্জাশিং অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোলনা মরমদম ঙাকচনবা পায়জরম্বা খুৎশু খুৎলায়শিং কেন্দ্র সরকারদা থাজবা থমদুনা শিন্নরকখ্রবা মতুং অসিগুম্বা থৌওং চথরকপা অসিদা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না এম.এল.এ অসিনা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-মীয়ামা রাজ্যপালদা থল্লিবা থাজবা মাংদনবা চীংথক্তা লৈরিবা বঙ্করশিং লৌথোকপীদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা চেন্নবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপীয়ু।

লমতা (এল)ঃ  লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লিবা লমতা থাংজগী লাইনিং লাইশোলগী থৌরম ঙসি তম্পাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকরি।

লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরম অসি লমতাগী অহানবা থাংজদগী

হৌরগা থা অসিগী থাংজ খুদিংমক্তা পাঙথোক্কুনা লমদম অসিবু তেক্ত-কায়দনা লৈহন্নবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক থৌনি থৌরম পাঙথোকপনি। ঙসিসু অয়ুক্কী মতমদগী হৌরগা লৈকাই লৈকাইগী যুমথোং খুদিংদগী চেং, ইন্সাং নাপীনচিংবা অঙম অঙন্বা খায়নদুনা শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকরি।

অমরোমদা, উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, উমংলাই কনবা লুপ অমদি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনসু শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা পুংশিংদা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

লমতা থাংজগা থৌরম পাঙথোকবগীদমক তেরাগী ৱাংথোনবী পুং, খুরাইগী অহোং পুং, কোংবগী শৌদোংপুং, ককৱাগী লমদাইপুং, ললামপুং অমদি নোংমৈপুংনচিংবা মফম কয়াদা লাইনিং লাইশেলগী ওইবা থৌরম পাঙথোকবা শেম শারি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ হন্দ্রেদ ডে টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মিদিয়া ৱার্কসোপ অমা ঙসি কৈশামপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আর ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি। ইর্দিটরস গিল্ড মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চমবো গোলমৈ, ইন্দিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, অমজ্গী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম অমসুং মণিপুর হিল জরনেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট পিতর অদানি শরুক য়াগনি। থৌরম অদুগী টেকিকেল সেসনদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি।

হোম ঃ বঙ্গলাদেশ মচাশিং অমসুং রোহিয়াশিং লৈবাক অসিদা চংহন্দুনা লৈহন্নবা হোৎনরিবা নেটৱার্কশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা পাউতাক পীখ্রে।

মহাকা হায়- আইন কায়না মীতোপশিং চংলকপা হায়বসি নেসনেল সেক্যুরিতিগা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা মসিবু অচেৎপা ৱাখল্লোন অমগা

লোয়ননা থেংনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- আইন কায়না চংলক্লিবা মীওইশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মরমদমদা থিন্দোকখিনবা পাউতাকসু পীখি।

নিউ দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি সভাপতি ওইদুনা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তু, দিল্লিগী গৃহ মন্ত্রি অসিস সুত, পুলিস কম্মিসনার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা ইন্তরষ্টেট গেং মখুৎনবা অমদি নার্কোটিক্স নেটৱার্ক পুংমুৎ মুখুৎনবা খঙহন্‌খি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রসিদেন্টস রুল মনুংগী অহানবা এটেক, নোংমৈ পীখৎলকবগী মতম লোইখিবগা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা কোংবা মরু লাইফমলেনদা কাপশিল্লকখ্রে হায়বসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইনি।

পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতনা- গভর্নরনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাইহৌরকখ্রে হায়না সব-হেদলাইন পীরগা মেইন হেদলাইনদা কোংবা মরু লাইফমলেনদা ইরাৎ থৌনি পাংথোক্লিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে, পেন্দ্রবা মীয়ামা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, মোর্নিং বেল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইনদা গভর্নরনা থাখিবা খুৎলায় পীখৎলকবগী মতম মার্চ ৬ ফাওবা শাংদোকখ্রে, হৌখিবা নুমিৎ ৭ নিদা নোংমৈ ৭০৫, বোম ৩২০ পীখৎলকখি হায়বা হেদলাইন অসি ফোংলক্লি।

নোংমৈ পীখৎলকপগী মতম শাংদোকপগী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি। হুইয়েন লানপাউদনা পাউ অসি গভর্নর এ.কে. ভল্লাগী অরোইবা আপীল খুৎশু খুৎলায় পীখৎলকপগী

মতম মার্চ ৬ কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা শাংদোক্লে। মতম অসি ফাওবগী মনুংদা মশানা খঙনা খুৎশু খুৎলায়শিং সরেন্দর তৌরকপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলোই হায়না ফোংবা থেংনরে।

মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপা ঙন্বা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা থন্বীয়ু হায়বা কংগ্রেসকী ব্রাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অহানবা হেদলাইন অমদি পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে।

অমিত সাহনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ঙসি য়েংশিল্লগনি হায়বা হেদলাইন অসিনা মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা খুৎলায় থাদোকপগী মতম শাংদোকখ্রে, অমিত সাহ অমদি গভর্নর উন্নদুনা রিভিউ মিতিং পাঙথোক্লবা য়াই হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেল অমদি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু ফোংলক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট বোর্দ ওফ ইদুকেসন তমেংলোংগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা জিলা অসিগী দি.সিনা স্কুল কারক্তবা ওজাশিং চৈরাক পীগনি হায়খিবা ব্রাফম তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

-----